ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯟ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯶꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ০২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৬৯ শুবা মশীং

সাইক্লোন মোরা

ইথাই বেরাজ মতম চানা হাংহন্নবা থৌশিল শেম্মু

বে ওফ বেঙ্গলদগী হৌরকখিবা সাইক্লোন মোরানা বাংলাদেশ, ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়াগী অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অকনবা শাফু অমা পীখ্রে হায়বা মীয়াম্না খঙনরে। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না সাইক্লোন অসি কদায়দগী হৌরকখিবনো অমসুং মফম কদায়ৰাইদা শোক্কদগে হায়বা মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা চেকশিনহন্নবা মতম চানা পাউ পীরকখি। হায়রিবা পাউশিং অদু ইম্ফালদা ফোঙবা মরু ওইবা পাউচে খরদসু ফোঙদুনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইহনবা ঙমখি। পুংদা কিলোমিটর ৬০ গী চাংদা শিৎলকখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা বাংলাদেশতা মীওই কয়া হাৎখি অদুগা মীওই ৮১ হেন্না হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি। অদুমকপু সাইক্লোন অসিগী ঈথিল মণিপুরদদি য়াম্না কন্না নোং চূবা নত্তনা অকনবা নুংশিৎমক্তি পাক-শন্না শিৎখিদে হায়বা য়াই। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী শরুক খরদা য়াইমরপ কনবা নুংশিৎ শিৎখি। মদুনা মরম ওইরগা য়ুম-কৈ খরা অমাঙ-অতা থোকখি হায়না রিপোর্ট তৌনৈ। মণিপুরদসু সাইক্লোন মোরাগী অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবা লৈখি। মহৌশাদগী হৌনা মণিপুরদদি নোংলৈ-নুংশিৎকী চৈথেং অসি অদুক হাক্লা কা হেন্না ফংনদবনা মরম ওইদুনা থৌ-ৰা ইশা শানখিদে। অদুমকপু মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, কসোম খুল্লেন দিষ্ট্রিক্টতদি ক্রাউদ বষ্ট থোকপদৌনা চহী ১ দা চূগদবা নোংগী চাং অহিং অমদা চূখি। মসিনা মরম ওইরগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা জেসামি ভিলেজদা মীওই ৪ বির্থি তুরেলগী ঈচেলনা চেন্থখিবদগী মীওই মরিমক শিরল্লগনি হায়না লৌনখি। ইম্ফাল তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা লিতানগী মরু ওইবা মফম কয়ামরুমদসু নোং য়াম্না কন্না চূবনা মরম ওইরদুনা পুং খরগী মনুংদা তুরেলগী ঈমায় খংৰাং ৰাংখৎলক্তুনা মীওই পুম্নমক মীহুন-থাহুন চেনখৎনবগী ফীভমদা লৈনখি। কায়নথংদা মণিপুর লৈঙাক্লা লন্নাই মহৈতম্ফশঙশিং য়াওনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ খুদিংমক ছুটি তঙ্খায় থাদোকখি।

সাইক্লোন মোরা পুং ৪৮ গী মনুংদা মণিপুর য়ৌরক্লগনি হায়বা পাউ অসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না ঙন্না ফংখিবা মরম্না ষ্টেট অসিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা ফমদুনা করি চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বা য়েংশিনফম থোক্লম্বনি। অদুবু হায়রিবা মীফম অদু ফমখিবগী মমি তাখিদে। মণিপুরগী তম্পাক্কী লম ফাওদুনা চেল্লিবা মরু ওইবা তুরেলশিংনা পীরিবা কান্নবশিং ঐখোয় পুম্নমক্লা লৌই। অদুবু তুরেলশিং অসি ফীভম কায়হন্দনা অমসুং তরূ-তনান্না থম্নবা থৌশিলদুদি চপ চানা পায়খৎপা উদে। মতম চানা তুরেলগী খোংনুং তেংথোকপা হায়বসি ঈচাউ থিংননবগী পান্বে অমনি হায়বসি খঙদবগুম তৌই। মদুগী মহুত্তা রিটেনিং ৱালগুম্বা ঠিকাগী থবক্তনা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লি। মরু ওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা ইম্ফাল তুরেলসু অমনি। তুরেল অসিগী লৌনম্বাল কায়বা তারগদি মহৈ-মরোং কয়ামরুম মাঙ-তাকহনবতা নত্তনা মীওই কয়াগী লৈফম লৈহন্দবা অমসুং পূন্সি ফাওবা মাঙবা য়াবগী খুদোংথীবা কয়ামরুম লৈ। হায়রিবা তুরেল অসিগী মহৌশাগী ওইবা ঈচেল মৈ পুথোকপদা শিজিন্ননবা ঈশিং মৌখৎহন্দুনা থম্বা হায়বা পান্দমগী মখাদা ইথাই বেরাজ থমখিবনি। মণিপুরদা ঈশিং ঈচাউ থোকপা নৎত্রগা থোকহন্দবা হায়বসিগী মরাইবক হৌজিক্তি ইথাই বেরাজ শেন্নরিবশিংগী খুৎতা চাদা ৫০ রোম লৈ। বেরাজ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈতবদৌনা তৌই। তুরেলগী ঈমায় ৰাংখৎলক্লে খঙলবসু বেরাজ অসিগী মমায় মঙা থিংজিল্লগা থম্বনা পুং ১/২ গী মনুংদা মণিপুরগী তম্পাক্লমগী শরুক অয়াম্বা ঈশিং ঈচাউ থোকহনগনি। মরম অদুনা বেরাজ অসিদা মথৌ তৌরিবা মীওইদা গেট হাংবা ঙম্বগী পৱার পীবগী তঙাইফদবা লৈ। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি অকনবা নোং চূগদৌরে হায়বসু মাঙজৌননা খঙলবা, পুং ২৪ সু নোং চূখ্রবা অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় কা হেন্না ৰাংখৎলক্লে হায়বসিসু মমিৎনা উরবা ফাওবদা বেরাজ অসিগী গেট মঙা মতম চানা হাংখিদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। বেরাজ হাংবগী অয়াবা অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখুৎতা শিন্নবা তারগদি মণিপুরদা কা হেন্না শাথিবা ঈচাউ মায়োক্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে। অৰাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর ফাওবা থাদুনা গেট হাংদোক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্তগী অকনবা প্রেসর পীবগী চৎনবী অসিগী মহুত্তা মতম চানা বেরাজগী গেট হাংবগী অনৌবা থৌশিল অমা য়াৎথোক্তবা য়াররোই। হৌজিক্কী মতমদদি নোংজু-নুংশাগী চাং মাঙজৌননা খঙবা ঙম্বগী পান্বে কয়ামরুম লৈবনিনা বেরাজ অসিদা মথৌ তৌরিবশিংদসু হায়নবা নাইদবা মাঙজৌননা পাউ পীবা অমসুং গেট হাংনবা থৌরাং তৌদুনা লৈহন্নবা থৌশিল শেমহন্নিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

পোলিটিক্সকা ধর্ম্মনিতিগা পূন্না চৎমিন্নবা য়াদে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পোলিটিক্স হায়বা অসি লৈঙাকলোন অমনি অদুগা ধর্ম্মনিতি হায়বা অসিনা লাইনীংলোন অমনি। ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি লাইনীং লম্বী তিন্নদবা কাঙলুপ ফুরুপ মশীং য়াম্না লৈবা লৈবাক অমা ওইবনা পোলিটিক্সতা ধর্ম্মনিতি পুনশিনবদি শোয়দনা লৈবাক কায়নবগী মচাক তানশিনবগুম থোক্কনি। মসি মশানা য়াদবা নুপী ফাদুনা নমদুনা লৌবদগী হেন্না শাথিবা মওং অমনি। নুপী মশানা য়াদবা অদুদি থেন্বা কল্লগা য়ারকপসু কোঙ্গাইনি অদুবু লাইনীং লম্বীগী ওইনদি ঙাইহাক্তং য়াবা য়াওরবসু তুং কোয়বা য়াদে। শোয়দনা ইনথোল্লক্কনি। মতৌ অসুম্না বি জে পিগী লৈঙাক্লা অফবা মওংনি খন্দুনা লাইনীং লম্বী মান্নদবা মখোয়বু পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া নম্ফু হাফুদা পুশিন্নবা হোৎনবদি চফু কায়বা তাবনি। চফু কায়রবদি ক্বাক্লা হরাউই অদুবু হন্দক্কী চফু কায়বগী মতাং অসিদি ক্বাক্লা চাক্তু চারবসু কাঙদেন চাবা তাবা মতাংনি।

ঙসি মণিপুরদা মান্নবা কাঙলুপ মশেন্দা লাইনীং লম্বী থৈরবগা থৈদবা কাঙবুগা নুংশিনদবা ঈপোম অমা হৌরিবসি মীগী লাইনীং লাইশোন্দা লুপখিবগা মুক্লবনি অদুবু মশীংদি লাইনীং হোংলবনা হেল্লবসু লাইনীং হোংদবা কাঙবুনা থীনা থীনা ঙাঙনরিবা অসিনি।

মতৌ অসুম্না বি জে পিনা মণিপুরগী ফনবা তৌরবসু পেন্দবা ফোঙদোকপগী মশীংদি অদুম য়াল্লক্লি হায়বা য়াই। অদুবু হায়জরিবা ঐহাক চিনথিবা তাজসনু বি জে পি লৈঙাক্লা অৰাং নোংপোক লমদমগী অফবা থবকশিং তৌরকপা ওইরসনু।

অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন
নিংঙোম্বম ইম্ফাল ৱেষ্ট

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১। ‘লংদুম চাবী’ কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবা ফম্বাক লীলা ইবা অইবদু কনানো?
২। ‘খোঙ্গুলদা তারুরবী’ কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদুনা কনানো?
৩। ‘‘চীনবুংদা নুপীগী হক/নুপাগী খোয়দৌ য়ৌদে/খুন্নাইগী ৱায়েল থুংদে।’’ পরেংশিং অসি নহা অইবী অমগী ‘চীনবুংগী হক’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৪। পঞ্জাবী অইবা গুরদিয়ালগী নোভেলবু মণিপুরীদা ‘অরোইবা মৈরী’ হায়না হন্দোকপদু কনাননো?
৫। ‘ক্রিটিসিজমগী মীৎয়েংদা’ কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

শিরোই ফেষ্টিবেল ঃ চীংমী-তম্মী থম্মোয়নুংদদি য়াম্না নুংশিনরিবজাৎনি

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৰাং

শিরোই ফেষ্টিবেল লোইখ্রে অদুবু মীয়াম্না মদুদা ফংখিবা নুংঙাইখিবগী মনিলদুদি খরা অদুম লৈরি হায়বা য়াই। মীয়াম্না নীংজিং-মাঙজিংনদনা, নীং-তম্না শিরোই চীংদোল কাদুনা মফমদুগী ফজবা য়েংবা ফংবসি হন্দক্কী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শিনবসিনা অহানবনি। হন্দক্কী ফেষ্টিবেলসি লমকোয়বা মীয়াম য়াম্না হরাউনৈ। মীয়াম্না মরুওইনা তম্পাক্কী মীওইশিংনা য়াম্না হরাউবসি মরম অনীদনি অমনা শিরোই লিলি থমোয় মকা লাম্না য়েংবা ফংবা অদুগা অনীশুবদুনা উখ্রুলদা চৎপদা ‘করিসু তৌরক্তে’ হায়বসিনি। মরম অনীসিনি য়াম্না মরুওইবসি লমদমসিগী শেন্থোক লম্বী লৈহনবদা অদুগা লমদমসিগী ঙমখৈ কায়দনা থম্নবগীনি।

লমকোয়বশিং উখ্রুলদা চৎপা য়াম্না পাম্লৈ। মরুওইনা মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈবা মীতৈশিংনা। চীংমীশিংসু পাম্মী অদুবু লমকোয়বা চৎপগী চাং য়াম্না নেম্মী। মখোয়না পান্বদি মণিপুরগী মপান মরুওইনা ফোরেন্দা লমকোয়বা চৎপনা হেন্না পাম্মী। অতৈ ষ্টেটকী মীওইশিংনা উখ্রুলদা লমকোয়বা লাকপগী ৱাফমদুমদি খন্নরুবদা মতম চাদ্রি হায়না খল্লি। করিনা হায়ববু মখোয়দি লায়রদুনা মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা মীতৈশিংফাওবা উখ্রুলদা চৎপা খৌতক চারি। মরম অদুনা অতৈ ষ্টেটকী অমদি ফোরেন টুরিষ্টশিং উখ্রুলদা লমকোয়বা লাকখিরোই। মণিপুরদা মপান লমগী টুরিষ্টশিং লমকোয়বা লাকহনগে হায়বা তারবদি মণিপুর মচাশিংনা মণিপুরগী টুরিষ্ট স্পোটশিং অসিদা চৎতুনা লমকোয়বা হান্না হৌবা তাই। ঐখোয়না লমকোয়বা চৎলবা মতুংদতা ফজবা মফমনি হায়বদু মপান লমগী মীয়ামদা শন্দোকখিগদৌরিবনি। শম্না হায়রবদা মণিপুরগী টুরিষ্ট স্পোটশিংগী পূক্লিং হুনা ফজরবা ৱারী অমা শাগৎলবতদা লমকোয়বা মী য়াম্না লাক্কনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ফজবা মফমদা য়েংবা চৎতনা মফমদু করম্না ফজৈ হায়না মপান লমগী লমকোয়বশিংনা মশক খঙবীগনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লমকোয়বা মী য়াম্না লাকহনবদা গভর্ণমেন্টখক্তনা ঙল্লোই মীয়াম য়াওদ্রবদি। অদুগা মীয়াম হায়বসিদসু মীতৈশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদ্রবদি মায় পাকপদা খরদি থিন্থগনি। টুরিষ্ট স্পোট য়ৌবা মফমদুগী লম্বী থোং নিংথিনা শেমজিনবিরবা অমদি মীফা মূপুন অমদি অকি অখঙ লৈহন্দবা তারবদি লমকোয়বা লাকপগী চাং য়াম্না ৱাংগনি।

হন্দক লোয়শিনখিবা শিরোই লিলি ফেষ্টিবেল অদুদা লমকোয়বা লাকখিবা মীয়াম অদু কয়াদা য়ামখ্রবনো নোংনা লেপ্তুনা চুবদগী খুদোংচাদবা কয়া লৈখ্রবফাওবদা। য়ামখ্রবা মীয়াম অদুগী মনুংদা চাদা মরিফুদি মীতৈ মচাশিংনি হায়বদা লাল্লোই। ইম্ফাল অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদগী মীওই কয়া মশা মশাগী গাড়ী পুদুনা উখ্রুলদা শিরোই লিলি য়েংবা, শিরোই চীংদোল কাবা চৎখি। মদুমক্লা শিরোই ফেষ্টিবেল মায় পাকপনি। মায় পাকপগী মনা অদু হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ফংজখ্রিবদুনি। ফংজসনু, ফংজফমসু থোকই চাউরবা থৌরম অদু লৈঙাক্কী থাক্তা মখোয়না ভিজন অমগা লোয়ননা শিনখিবনি অপূনবা মণিপুর অমগীদমক, শেন্থোক লৈবা মণিপুর অমগীদমক। অদুননি টুরিজম চাওখৎনবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টখক্তনা মীয়াম য়াওদ্রবদি মায় পাক্লোই হায়রিবদু। অদুক য়াম্বা তম্পাক্কী মীয়াম উখ্রুলদা লমকোয়বা চৎলিবদুনা তাকপদি চীংমী তম্মী অনীগী মরীদি নুংদা চেৎনা লৈরি হায়বা তাক্লি। তম্মীশিংনা উখ্রুলদা চৎনীংবা, য়েংনীংবা পোক্লিবসি চীং অমসুং চীংমীশিংবু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙল্লোই হায়বা তাকপনি। কনাগুম্বা লান্না শন্দোকপা কাঙবুনা নুংশি মরী অসি থদৎনবা হোৎনবনি । মরী তৎপা ঙমগনি থাজদে অসুম্না চহী খুদিংগী শিরোই ফেষ্টিবেল চাউনা তৌদুনা লমকোয়বা চৎলবদি উখ্রুলদা অমদি অতৈ চীংগী মফমশিংদা। তম্পাক্তগী পাখঙ লৈশাবী ময়াম অমা শিরোই ফেষ্টবেল য়েংবা চৎলে উখ্রুলদা। মফমদুগী তাঙ্খুল লৈশাবী ময়াম অমা উনরে তমগী পাখঙশিংনা। ৱারীমক শানদ্রবসু মীৎকা-মীৎকা মীৎচানরে। মীৎয়েং, ৱাখল মান্নবা য়াওরল্লবদি নুংশি মরী থম্নরক্কনি। নুংশিনবদবু জাৎ-কুচু, লোল, মৈ, ঈশিং চঙ্ব্রনে? য়ূম্বানমিন্নবা য়াদে হায়বা লৈতে মীতৈগা তাঙ্খুলগা। শিরোই য়েংবা চৎপদগী য়ূম্বানমিন্নবা য়াই। অদু ওইরবদি মীতৈ অমদি তাঙ্খুল অনী ঙাই-শেন ওইনরে। ঙাই-শেনবু হাৎন-শুনবা হৌনবরা? অসুম্না তাঙ্খুল পাখঙশিংনসু মীতৈ লৈশাবীশিং খোয়দাবা য়াওরমগনি। চহী খুদিং ফেষ্টিবেল অসি তৌদুনা লমকোয়বা চৎনরবদি য়ূম্বানরকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্কনি। নুপা ময়ূম, নুপী ময়ূম অনী লম লাপ্নরবসু অৰা-অনা, অনা-অয়েক তৌরকপদা মতেং পাঙনরকপা মশানা তাবনি অমদি ইমুং অনী চামিন-থকমিন্নরকপা মশানা তাবনি। অদুনদি করম্না চীং-তম লাপথোক্লরক্কনি। মীতৈ পাখঙ অমদি তাঙ্খুল পাখঙ ফেষ্টিবেল অসিদা শকখঙ মায়খঙনরক্তুনা চান্নবা মরুপ ওইরক্লবগী লম্বী ওইরি। উখ্রুলদা লমকোয়বা চৎলিবা তম্পাক্কী মীতৈশিংনা তাঙ্খুলনা শানবা য়ূমদা লৈরি অমদি তাঙ্খুলনা থোংবা চাক-এঞ্জাং চারিবনি, থক্লিবনি। তাঙ্খুলশিংনসু লমকোয়বশিংবু তরাম্না ওক্লবনি। অদুনদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শিনবা শিরোই ফেষ্টিবেল অসিনা ইরায় লায়না চীংমী তম্মী নকশিন্ননবগী অফবা লম্বী অমা শেম্লে। য়াম্না কান্নে মরমদি নুংশিনবসু পুরক্লে, লমসু কোয়হল্লে, শেন্থোক লম্বীসু লৈহল্লে, মণিপুর গভর্ণমেন্টসু অফবা থবক তৌরে হায়বদু মীয়ামদা উৎপা ঙল্লে। অদুবু চীংগী লূপ খরনদি অসিগুম্বা থবক অসি পামদে। চীংমী-তম্মী অনীগী মরী চেৎশিনখিবদা মখোয় পাখৎলি করিনা হায়ববু মখোয়না পাম্বা মখোয়খক্তগী ওইবা তোঙানবা লমদম হায়বদু ফংবা ঙল্লোই খনবদগী। অদুনদি টুরিষ্ট স্পোট ওইবা য়াবা চীংগী লমদা টুরিজম ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা তম্পাক্তগী লমকোয়বা কয়া চৎচবা ফংনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শিনবীবা চুম্লে।

মণিপুরগী চীংগী লমদা টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎ-শাগৎপদা শেল য়াম্না চঙগনি অমদি থবক তৌবদা য়াম্না ৱাগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা খনবা চুমদে। ইন্দিয়াগী ওইনা লমকোয়বা ময়াম্না য়াম্না পাম্নরিবা কাশ্মীর, শিমলা, কুলু, মনালি, দেরাদুন হায়রিবশিং অসি ৱাংল-ৱাংলবা হিমালয়গী চীংশাং পরেংদা লৈবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয়গী ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা য়াম্না নীংথিজনা ঙমখ্রবা চীং লম্বীশিং অদুদা চৎতুনা থবক পুম্নমক তৌই। মখোয়গীদুগা চাংদম্নদুনা য়েংলুবদা মণিপুরগী উখ্রুল, সেনাপতি, তমেংলোং চীংশিং অসিদি করিসু নত্তে হায়বা য়াই। ফজনবা শেম্বদা কাশ্মীরদা, শিমলাদা থেংনখিবা অৰাবশিং অদু য়ৌগদবা নত্তে। ঙসিদি য়াম্নসু চাওখৎলবনিনা লম্বী-থোং শেমগৎ শাগৎনবা অফবা খূৎলায় কয়ামরুম লৈবগী মথক্তা খঙ-হৈরবা এঞ্জিনিয়রশিং য়াম্না লৈরবনিনা য়াম্না থোয়না ৱাগনি হায়বগী চিংনবা লৈত্রে। অদুবু ৱাৎলিবদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অশানবা মিৎয়েং, থৌনা, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌনীংবা পোকপা, শেঞ্জা থুমজা তৌনীংদবগী ৱাখল অসিনি হায়বা য়াই। মমাংথক্তা লৈঙাকখিবা গভর্ণমেন্টশিং অদুদি থোয়দোক্লা শিংথানিংঙাই ওইদে মথক্তা পনখিবা লমশিং অসিদদি। মমাঙদা লৈঙাকখিবশিং অদুনা তৌরমদবদগীনি ঙসি পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংলিবসি। পরম্থু চুম্লবদি গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা ঙল্লোইদবা থবক লৈতে। মথৌ তারিবদি পরম চুম্না তৌরগে হায়না খনবা অশানবা মিৎয়েংদা লৌবা ফিরেপ অদুখক্তনি। মহৌশা লাইরেম্বীগী ফজরবা খুদোল ওইনা পীবিরল্লবা উখ্রুলগী শিরোই চীং, মাওগী জুকো, তমেংলোংগী ঈশিং চাইবি অতৈ ফজরবা মফমশিং টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎনবা মফমদুগী লম্বী-থোং, গেষ্ট হাওস, মৈ-ঈশিং, অতৈ অতৈ কয়া শেমগৎপদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা অৰাবা অমদি ওইগদবা নত্তে। মীয়ামগী কান্নগদবা ওইরবদি সেন্তরনসু শেলগী অমদি অতৈ হীরম কয়াদা মতেং পাঙলক্কনি। গভর্ণমেন্টকীদি টুরিজমদা থাদখিবা শেল মাঙলোই। তপ্না তপ্না শেল হঞ্জিল্লক্কনি লমকোয়বশিংনা লমকোয়বা লাকপদগী। লম্বী থোং শেম্বদুদি টুরিষ্টশিংখক্তনা শীজিন্নগদবা নত্তে, মী চৎনবগী, পোৎ চৈ পুথোক পুশিনগীসু য়াওরিবনি। মরম অদুনা লম খুদিংমক্তা কান্নরবনি। শম্না হায়রবদা পোৎ অমা লৈরুরগা পোৎ অদুনা থবক কয়াদা শীজিন্নবা য়াবা অদুগুম্বনি।

শিরোই ফেষ্টিবেলনা মীয়ামদা কান্নহল্লি, শেন্থোক লম্বী লৈহল্লি। লমকোয়বা হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা লন্নাই গাড়ী থৌবা মীওইশিংদা শেন্থোক হেনগৎহল্লি। চান-থক্লবা য়োনবা হোটেলশিংদা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহল্লি। মী লৈনবা য়ূম শান্দোকপা মীওইশিংদসু শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবতা নত্তনা থবক শুনীংবা, মশানা মশাবু থবক পীজনবগী ৱাখল পোকহল্লি। মসিদগী মীওই কয়ানা গভর্ণমেন্টকী তলব চাবা থবকখক্তমক তৌনবা হোৎনবগী চাং খরদা ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি। মীওই কয়া মশানা মশাবু শেন্থোক লৈবা থবক পীজবা হায়বসি গভর্ণমেন্ট য়াওদনা ওইথোক্কদবা থবক নত্তে। মশানা মশাবু শেন্থোক লৈবা থবক তৌজনীংবা মীওইখক্তনা চেন-চোঙলগা থবক অসি ওইগদবা নত্তে। মায়কৈ অনীমক পূন্না চৎমিন্নরগা ওইথোক্কদবা থবকনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা শেন্থোক লম্বী লৈজখিবা হায়বসি পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অদুগীদি মীৱা মৈশা, মীহাৎ-মীপুন কয়া নংদনবগী অচৌবা থবক অমনি।

চীং-তম ইমুং-মনুং ওইরকপা, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়রোইদবগী ফীভম অমা হন্দক্কী শিরোই ফেষ্টিবেল অসিদগী উবা ফংলবনিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা টুরিজম ফেষ্টিবেল অমদি লোক্তাক্কী অকোয়বা, শিরোই চীং, জুকো তম্পাক, ইবুধৌ মার্জিংগী হৈঙাং চীং, থাংজিং চীং, কৌব্রু চীং, তমেংলোংগী ঈশিং চাইবীনচিংবসি শেমগৎতুনা লমকোয়বা মশীং হেনগৎহনবা ফরে। তমদগী চীংদা অদুগা চীংদগী তমদা লমকোয়বা চৎলবদি চীংমী তম্মী খঙনা চান্নবা হেঙ্গৎলক্কনি। মদু ওইরবদি চীংগী লমদা তম্পাক্কী মীতৈশিং চংহন্নীংদবগী ৱাখল্লোন অমা লৈরিবসি মতমগী মতুংইন্না তপ্না তপ্না কোকখিবা ঙমগনি। মসি গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়ামগী অফবা থবক নৎত্রনে।

মহৈরোয়শিংনা খঙনীংবা অমসুং হংনীংবশিংগীদমক

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মতমগী মতুংইন্না মালেমসি নোংমা নোংমগী অহোংবশিংতনা পীক থল্লক্লি। খঙনীংবা কয়ামরুম অমা মতম চানা খঙহৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈহৌদবদগী ওইজবা কয়ামরুম পুন্সিগী ওইনা শিত্তুনা লেন্নরি। খঙহৌদবা অমসুং উহৌদবা পুন্সিগী লম্বেলশিংবু মতৌ করম্না মহয় য়ানগদবা অমসুং মহয় চাগদবা পুন্সি লম্বেলশিংনি হায়দুনা চৎহৌরমগনি? খঙহৌনবা অমসুং উহৌনবগী খুদোংচাবশিংদুনি ঙসি মণিপুর লৈঙাক্লা পীবিনবগী থৌদৌশিং শিনবিদে হায়নরিবসি। থৌদৌসি মণিপুরগী ইন্টরমিদিএট থাক্কী মহৈগী চাংয়েংশিংদা মায় পাল্লক্লবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা তত্তনা থোক্লি। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনবু ওইরবসু মতমগা চুনবা টেক্নিকেল অমসুং জেনরেল লাইনশিংগী ওইবা গাইদ-লাইন সেন্তর অমত্তং হাংদোকপীয়ু হায়নরক্লিবসিনি। থৌদৌসি ৱাশকপা য়ানবা মওংদা, মীয়াম্না খঙনদবা অমসুং মহয় চারোইদবা অমদি মমিংতগী ওইনা হাংবা খূৎহাংদদি হাংহন্নীংদে, মীয়াম্নসু পাম্নরোই। মহৌশানা মণিপুর লৈঙাক্লা তৌবা থবক খুদিংমকসি অয়াম্বনা চাদা মরিফুতরা হেনবগী চাংদা শুপ্নগী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ষ্টেট অমা ওইরুরবনিনা অমদি অতোপ্পশিংনদি তৌনরি হায়রক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা খক্তা, মমিংতগী ওইনা তৌবা থবক খূৎতৌ কয়ানা অয়াম্বা ওইগল্লি। হায়নরিবা মতমশিংদু ঙসিদি হৌখ্রে। মণিপুর, কুমজা ১৯৭২ দগী হৌনা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবনি। হায়রিবা মতমসি য়াম্না কুইরক্লে। হৌজিক্তি মীয়াম্না হকথেংননা কান্নবা ফংগদবা, শুপ্নগী অচঙবা থবকশিং খক্তদা মণিপুর লৈঙাক্লা খূৎ থাহন্নীংই।

মণিপুরগী মহৈরোয় লিশীং-লিশীং কয়ামুক্লা খুজিং ওইদুনা চহী খুদিংগী ওইনা তুয়েল্ব ইগজাম পাস তৌনরক্লি। মহৈরোয়শিংগী পুন্সিগী ওইগদবা অনৌবা লম্বেলশিং চৎচনবগী তাঞ্জাশিং মহৈগী তাঙ্কক অসিখক্তনা অয়াম্বগীসু ওইনরি। তাঙ্ককসিদনি, মণিপুরগী মহৈরোয়শিংবু মশা-মশানা চানগদবা, মপুন্সিগী ওইনা মহয় চাগদবা লম্বেলশিং খঞ্জবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গাইদ-লাইনশিং পরিং চুম্না পীহন্নীংই হায়নরিবসি। মণিপুরদা খঙহৌদবদগী মশীং থীঙমদ্রবা মহৈরোয় কয়া কয়ানা তাঙ্ককসিদা, মশাগা চানগদবা থৌওং-থৌদাশিং খন্দোকপা ঙমহৌদবদগী মশানা ইরায় লায়না চানজগদবা টেক্নিকেল নৎত্রগা জেনরেল লাইনশিংদা পরম চুম্না চৎহৌবা ঙমহৌদ্রি। ফীভমসিমক্লা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং কয়ামরুম্না, মশানা চৎচরুবা তুয়েল্ব মতুংগী মহৈ-মশীন তম্বগী লম্বীশিংদা মায় পাকপা ঙম্নরক্তবদগী মখা তানা মহৈ মশীন তম্বগী লম্বীদগী পোত্থারবা মহৈরোয়শিং হায়বদু ওইনরক্লি। কয়া অমনা লম্বী লান্নখিবদগী লমখায়সিদা নীংঙমহৌদবগী থৌদৌশিং মশীং খঙদনা থোক্লরি। তশেংনমক, মণিপুরদা অসিগুম্বা তাঙ্ককশিংসিদা মহৈরোয়শিংবু লমজিংবীবগী ৱাখল্লোনশিং অমদি থবক-থৌরমশিং অসুক্কী মতিক শোত্থরি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চানা খঙ-হৈরবা মীওইশিংবু থৌ পুহন্দুনা, ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিংবু তাঙ্ককসিদা মশা-মশাগা চানগদবা লম্বেলশিংদা চৎহনখিনবগীদমক মপূং ফানা লমজিংবীবা মথৌ তাই। মতমগী মতুং ইন্না চাওখৎ-লম্বেলশিংসি মণিপুর লৈঙাক্লসু অসুক্কী মতিক মপূং ফানা অমসুং মহয় চানা পায়খৎহন্নীংই। হায়নরিবনি, মহৈরোয় অমবু নিংথিনা লমজিংবীবা অমসুং শেন্বী-শাবীবগী থবক্তা তেংবাংবীবা হায়বসি লৈঙাক অমগী তৌফদ্রবা মথৌনি। ঙসিগী ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিং, হয়েংগী ইরমদমসিগী লৈঙাক্লোয়শিং ওইরক্কনি। ইরমদমসিগী হয়েংগীদমক মখোয়বু ঐখোয়না ঙসি ঙল্লিবমখৈ অচঙবা পান্বী অমমম ওইরকহন্নবগীদমক হোৎনবীবা মথৌ তাই।

মচানা মেত্রিক ইগজাম পাস তৌরকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা, মচানা হায়ার সেকেন্দরিগী থাক্তা লৌবদা চানগদবা অমসুং মহয় চাগদবা আর্টস নৎত্রগা সাইন্সকী সবজেক্টশিং খন্নবগীদমক মায়বী-পাঞ্জীদা চৎতুনা শেল হুল্লুবগী চৎনবীদু ঙসিদি মখা তানা চৎনরগুমসি। মমা-মপানা মচাবু ডাক্তর/এঞ্জিনিয়র ওইহন্নীংবগী ৱাখল্লোনশিংদু খঙলদুনা, মাইবী-পাঞ্জি কয়ানা সাইন্স লৌহল্লু ইনশিল্লকখিবা, আর্টস লৌরম্বদা দোক্টরেট ফংদুনা প্রোফেসর ওইরমগদবা অমসুং সিভিল ইগজাম ফাওবা থাদুনা আই এ এস ফংলমগদবা মহৈরোয় কয়া, সাইন্স লৌরুবদগী ঙসি ঙাওচৎনদুনা লৈহৌবা থেংনরি। হৌজিক্কীদি খঙদে, মতম অমদা মেত্রিক ইগজাম পাস হেক তৌবগা পি য়ু সী (এলেবেন ক্লাস) হেক তম্লকপদা খ্বাইরাকপম চাউবা, কবিরত্নগী ৱারেং **‘শিনফম ওন্নবা’** হায়বা অমা তম্লকখিবদু ঙসি ফাওবদা কাউগে খক ঙমদে। মশাদা পীথোরকপা পোকপদগী হৌনা চেল্লকপা মতিংশিংগী চানবা শিনফমশিং পায়রবদদা, মীওইবনা মতিক চানা ফীদম্নফম ওইবা মতিংশিং উথোকচবা ঙম্মী। হৌজিকসুনি কবিরত্ন চাউবগী শিনফম ওন্নবগী ৱারেংদু ঙসিসু মালেম পূম্বগী ওইনা লৈনরিবা মহৈরোয়শিংনা পাবদা অসুক্কী মতিক মশাদা কান্নবা ফংগনি খল্লি। অসুম্না মীওইবনা চানবা শিনফমশিং ওন্নখিবগী চৈথেংশিং, খঙহৌদবদগী শিনফম লান্না চৎনখ্রবা মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইশিং কয়ামরুম্না ঙসিসু মালেমসিদা ফংনরি। শুপ্নগী মণিপুরদদা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা মফম কয়ামরুমদসু থৌদৌসি তত্তনা থোক্লি। থৌদৌশিংসি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ঙসিদি মপানগী লমশিংদদি শিনফম লান্ননা চৎখিবা অসিগুম্না থৌদৌশিংদগী কলহৌনবগীদমক লৈঙাক্লা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎনখ্রে। লন্নাই ওইনসু ইন্টরমিদিএটকী থাক্কী মহৈরোয়েশিংগীদমক মতিক চাবা গাইদেন্স সেন্তরশিং কয়ামরুম হাংদোক্লখ্রে। ফীভমসিদা ইরমদম মণিপুরগীসু হায়রিবা মহৈগী থাকসি ফাওবদা পাস তৌরল্লবা মহৈরোয়শিংগীদমক চপ চানা চৎনবা য়াবা গাইদেন্স সেন্তর অমা য়াম্না অথুবা মতমদা হাংদোকহন্নীংই। ইরমদম মণিপুরসিগী চৎনবী অমা ওইনা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা অমসুং অহল-লমন ওইবশিংনা শুপ্নগী দাক্তর অমসুং এঞ্জিনিয়রশিংদগী হেন্না মচাশিংদা চৎহনবা য়াবা অতৈ ত্রেনিং মখলশিং খক উনদে অমসুং মহৈ তম্নবগী অতোপ্পা লম্বীশিং লৈত্রবগুম লৌনবগী থৌদৌশিং তত্তনা উবা ফংনরি। থৌদৌসিদগী মতম চানা কলহৌনবা হোৎনমিন্নসি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শুপ্নগী মেদিকেল অমসুং এঞ্জিনিয়রগী সিটশিং খক নত্তনা অতৈ হীরম কয়ামরুমদসু লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংবু কোটাদা ত্রেনিংশিং থানবগীদমক শিনবীবগী মওং লমদমসিদা উদ্রি। সিভিল এভিএসন অমসুং সোসিএল ৱেলফ্যেরনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগী মখাদা লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগীদমক কোটাদা ত্রেনিংশিং থাবীবা লৈত্রা? খরনা লৈ থায় হায়, খরা অমনা থাদে হায়, অশেংবা থৌদৌ খঙবা ঙমদে। অমুকসু মশীং য়ামদবগী ৱানিসু হায়নৈ। মুন্না হংজিল্লুরগসু অশেংবা পাউখুমশিং ফংদে। থৌদৌসি তশেংনা মণিপুরদা মহৈরোয়শিংগীদমক অপান্ননা হাংবীবা হীরমসিদা চপ-চানা গাইদ লাইনশিং পীবিবা সেন্তরশিং লৈঙাক্লা হাংদোক্তুনা থম্বীদবদগী থোক্লিবনি। থৌদৌসি থোকহন্দনবনি লৈঙাক্লা অসিগুম্বা মখলগী সেন্তর অমা লৈবাক মীয়াম খঙনা হাংদোকপীয়ু ঙাঙনরক্লিবসি। থৌদৌসিদসু নত্তে, মণিপুরদা চুম্নগী মহৈরোয়শিংনা মশা-মশানা পাস তৌজরক্লিবা মহৈগী থাক্তুদা ফংজরক্লিবা মার্ককী পার্সেন্টেজদুগী মতুং ইন্না ফংবা য়াবা স্কোলারসিপকী মতাংদসু ময়েক শেংনা খঙহন্দবা কয়ামুক লৈরি। হীরমসিদা করম-করম্বা মফমদগী স্কোলরসিপশিং মহৈরোয়শিংনা ফংবা য়ারিবনো হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লবু ওইরো নৎত্রগা মণিপুর লৈঙাক্লবু ওইরো, লৈবাক মীয়াম খঙনা নিংথিনা অমত্তা ময়েক শেংনা খঙহনবীবা তৌদ্রি। শুপ্নতগী অখঙবা, থিজিন হুমজিনবা কনবা খরখক্তনা কনা-কনানা স্কোলারসিপশিং কদাই-কদাইদগী ফংবা য়ারিবগে হায়বসি খঙনবগুম তৌরি। থৌদৌসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা হাংহন্নীংই হায়রিবা সেন্তরসিমক ময়েক শেংনা হাংবীরল্লবদি সেন্তরসিদগীসু ইরায়-লায়না স্কোলরসিপকী মপূং ফাবা ঈ-পাউশিং মীয়ামদা মতম চানা ফংহনবা ঙল্লম্বসু য়াই। থৌদৌসি মণিপুর লৈঙাক্লা অমত্তং পায়খৎপীবদা কয়াম ৱাগদগে অমসুং কয়ামুক লুগদগে হায়বসি মীয়াম্না চপ চানা খঙনীংই। ৱাখল অমরোমদা, থৌদৌসি মণিপুর লৈঙাক্লা চপ চানা অতেনবা মতমগী মনুংদা পায়খৎপীফম থোকপনি লৌজে।

অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মতম চুপ্পদা মণিপুর লৈঙাক্লা কয়ারক হন্না মণিপুরদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন মপূং ফানা চৎনহনগনি লাউথোকপীখিবদু ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মীয়াম্না মপূং ফানদি লায়রদুনা মচেৎ ওইনা ফাওবা থেংনবা লৈত্রি। হীরমসিগী মনুং চন্নসু, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা সেন্তরসি মণিপুর অপূম্বগী ওইনা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা ময়েক শেংনা অমত্তং হাংদোকপীবা পাম্নে। মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসনগা মরী লৈননা খঙনীংবা অমসুং হংনীংবা ৱাফমশিং কয়ামরুমগী মরমদা নিংথিনা ঈ-পাউশিং খঙজবা য়ানবা, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মহৈরোয়শিংগী গাইদ লাইন সেন্তরসি মণিপুর লৈঙাক্লা অমুক্তং য়াম্না অথুবা মতমদা ময়েক শেংনা হাংহন্নীংই।